# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, MARCH 22, 2019 **PAGE 7**






*দোহাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী এঠলিট ৪০ না শাবা টিম লুচিংগদৌরিবা লৈবাক অসিগী ষ্টার জেবলিন থ্রোব্বর নিরজ চোপ্রা*

*মীয়ামী ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ক্বালিফাইদ ওইদুনা মেন দ্রো চঙবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী টেন্নিস শান্নরোই প্রজনেস গুন্নেশ্বারন*

## স্পিসিয়েল ওলিম্পিক্স ৱার্ল্ড গেমস ২০১৯ দা ইন্দিয়ানা গোল্ড ৮৫ য়াওনা পুন্না মেডল ৩৬৮ ফংখ্রে

*অবু দাবী, মার্চ ২১ঃ*

যু এ ইনা যুম্বু ওইদুনা থা অসিগী ১৪ দগী চথরকপা স্পিসিয়েল ওলিম্পিক্স ৱার্ল্ড গেমসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা গোল্ড ৮৫ য়াওনা পুন্না মেডল ৩৬৮ ফংখ্রে।

স্পিসিয়েল ওলিম্পিক্স ৱার্ল্ড গেমস অসিদা মালেমগী লৈবাক ১৭০ দগী লাকপা এঠলিট ৭০০০ না অথোই–অহেন তান্নখিবনি। ইন্দিয়াগী এঠলিটশিংনা গেমস অসিগী অনৌবা পুৱারী শেম্বগা লোয়ননা গোল্ড ৮৫, সিলভর ১৫৪ অমদি ব্রোঞ্জ মেডল ১২৯ ফংবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মেডল ফংখিবা স্পোর্টস ইভেন্টশিং অদুদি– এঠলেটিক্স, গোল্ফ, ভোল্লিবোল, এক্বাটিক্স, সাইক্লিং, জুদো, পৱারলিফটিং, টেবল টেন্নিস, রোল্লর স্কেটিং, বেদমিন্টন, বাস্কেটবোল ত্রেদিসনেল, হেন্দবোল ত্রেদিসনেল অমদি ৭–সাইদ ফেমেল ফুটবোলদনি।

চহী ২ / ২ লৈরগা পাঙথোকপা মল্টি স্পোর্টস ইভেন্ট অমা ওইরিবা স্পিসিয়েল ওলিম্পিক্স ৱার্ল্ড গেমস অসিদা ইন্দিয়ানা ৯লকশুবা ওইনা শরুক য়াখিবা অসিদা হন্দক্কী ইদিসন অসিদা খ্বাইদগী মেডল য়াম্না লৌবা ওইরি।

গেমস অসিগী অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী এঠলিটশিংনা গোল্ড মেডল ৪ গা লোয়ননা সিলভর মেডল ৫ অমদি ব্রোঞ্জ মেডল ৬ লৌবা ঙমখিবনি।



*ইন্দিয়াগী মেডল ফংখ্রবা এঠলিটশিংনা পোদিয়মদা হরাওবা ফোঙদোকপা*

স্পিসিয়েল ওলিম্পিক্স ৱার্ল্ড গেমস অসিগী পৱারলিফটিং দিসিপ্লিনদা ইন্দিয়াগী এঠলিটশিংনা খ্বাইদগী য়াম্না মেডল লৌবা ঙমখি। দিসিপ্লিন অসিদা ইন্দিয়ানা গোল্ড ২০, সিলভর ৩৩ অমদি ব্রোঞ্জ মেডল ৪৩ গা লোয়ননা পুন্না মেডল ৯৬ লৌবা ঙমখি।

রোল্লর স্কেটিং দিসিপ্লিনদা ইন্দিয়াগী এঠলিটশিংনা গোল্ড ১৩, সিলভর ২০ অমদি ব্রোঞ্জ ১৬ পুন্না মেডল ৪৯ লৌবা ঙমখি।

টেবল টেন্নিস দিসিপ্লিনদা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেডল ৪ গা লোয়ননা সিলভর মেডল অমা ফংখি। সাইক্লিং দিসিপ্লিনদা ইন্দিয়ানা গোল্ড ১১, সিলভর ২০ অমদি ব্রোঞ্জ ১৬ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ট্রেক্ট এন্দ ফিল্ড এঠলিটশিংনা দিসিপ্লিন অসিদা গোল্ড ৫, সিলভর ২৪ অমদি ব্রোঞ্জ ১০ পুন্না মেডল ৩৯ লৌবা ঙমখি।

স্পিসিয়েল ওলিম্পিক্স গেমস অসিগী ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ২০০গী লমজেলদা মশাগী চহী ১৯ শুরবা ইন্দিয়াগী এঠলিট জিতেন্দর পাৱালনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই মিটর ২০০গী লমজেলদা গোল্ড মেডল ফংখিবা ইন্দিয়াগী এঠলিট পাৱাল জিতেন্দর থা অমরোমগী মমাঙদগী গেমস অসিদা শরুক য়ানবগীদমক ত্রেনিং চথরকখিবনি। অদুবু মহাক্কী হোৎনবা কনবা অদুনা মরম ওইরগা ইভেন্ট অসিদা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি।

স্পিসিয়েল ওলিম্পিক্স ৱার্ল্ড সম্মর গেমস অসিদা ইন্দিয়ানা অহানবা ওইনা শরুক য়াবা দিসিপ্লিন অমা ওইরিবা জুদো অমদি ফুটসালদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা জুদোদা গোল্ড ৩, সিলভর মেডল অমা ফংবা ঙমখি। অদুগা ফুটসালদা সিলভর মেডল ৭ ফংবা ঙমখি।

## মীয়ামী ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা বেলারসকী ভিক্তোরিয়া অজারেনকা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*মীয়ামী, মার্চ ২১ঃ*

যু এস এগী ষ্টেট ফ্লোরিদাদা লৈবা মীয়ামী গার্দেনদা চথরিবা মীয়ামী ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা নোংনা মরক থৎত্রিঙৈদা বেলারসকী ভিক্তোরিয়া অজারেনকা অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

মীয়ামী ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা বেলারসকী ভিক্তোরিয়া অজারেনকানা স্লোভাকিয়াগী দোমিনিকা চিবুলকোভাবু য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরবা মতুং ৬–২, ৩–৬, ৬–৪ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌদুনা বাই ফংলকখিবী ১৯শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়াগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা গ্রিসকী মারিয়া সকারিনা সর্ভিয়াগী ও দানিলোভিসপু ১–৬, ৬–৩, ৬–৪ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা ৩শুবা সিদেদ জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা ক্বিটোভাগা শান্নরগনি।

জেক রিপব্লিক্কী শান্নরোই অনীগী অহানবা রাউন্দগী লম্বাদা এম ভোন্দৌসোভানা বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

জেক রিপব্লিক্কী অতোপ্পা নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোই কে সিনিকোভানা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা চাইনাগী এস ঝেংবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌদুনা ১১শুবা সিদেদ লাটভিয়াগী এ সেভাষ্টোভাগা লম্বা তৌনরগনি।

মীয়ামী ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ইটালিগী শান্নরোই এম বেরেট্টিনিনা পোলেন্দগী শান্নরোই ঐচ হুরকাজবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৬–৩ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমগা লম্বা তৌনরগনি।

জর্মনিগী শান্নরোই মীস্কা জ্বেরেভনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা স্পেনগী এন কুহনগা সেট অমমম থোইনরবা মতুং দিসাইদিং সেটতা গেম ২–২ দা মান্নদুনা লৈরিঙৈ স্পেনগী কুহন মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী জর্মনিগী জ্বেরেভ অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

মীয়ামী ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা আর্জেন্টিনাগী জি এন্দিয়োজিনা কজাখষ্টানগী এম কুকুসকিনবু ৭–৬ (৭–৩), ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা বাই ফংদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙলকখিবা ইটালিগী ফোগনিনিগা শান্নরগনি।



## আই–লীগ অমদি আই এস এল পুনশিন্নবনা ইন্দিয়ান ফুটবোল ইকোসিষ্টেমদা অকায়বা পীগনি ঃ কুসল দাস

*চেন্নাই, মার্চ ২১ঃ*

ইন্দিয়াগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট আই–লীগ অমদি আই এস এল পুনশিন্নবনা ইন্দিয়ান ফুটবোলগী ইকোসিষ্টেমদা অকায়বা পীরক্কনি হায়না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরী কুসল দাসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বোর্দকী প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেলনা আই–লীগকী ওনরশিংগা লোয়ননা চহী অসিগী ওইনা সুপর কপ য়াওবদা অথিংবা থল্লিবা অসিগীদমক উন্নদুনা খন্নগনি হায়খি।

এ আই এফ এফকী প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেল লোক সভা মীখল অমদি ফিফা কাউন্সিলগী মীফমগীদমক হৌজিক হৌজিক গোন্দিয়াদা কেম্প তৌদুনা লৈরিবনি। সুপর কপকী ফাইনেল রাউন্দ য়ৌদ্রিঙৈদা উন্নদুনা খন্নবগী খুদোংচাবা লৈগনি হায়নসু কুসল দাসনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

বোদি অসিনা আই–লীগকী ক্লবশিংগী ফাইনেল অপদেতকী ওইনা মার্চ ২১ ফাওবগী মনুংদা সুপর কপ্তা শরুক য়াগনি নৎত্রগা



*এ আই এফ এফকী জেনরেল সেক্রেটরী কুসল দাস*

য়ারোই হায়বগী ৱাফমশিং অদু পীখৎলক্লবা খঙহনখিবা লৈখি।

আই লীগকী ক্লবশিংনসু এ আই এফ এফকী প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেলগা উন্নদুনা লীগ অসিগী তুংগীদমক খন্নবা পাল্লি।

কুসল দাসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা করিগুম্বা প্লান্নিং য়াওদনা আই লীগ অমদি আই এস এল পুনশিনবা তারবদি ক্লবশিং, মার্কেট পার্টনর, ব্রোদকাষ্টর, স্পোন্সর লোয়ননা ইকোসিষ্টেম পূম্নমক্তা অকায়বা থোকহনগনি হায়খি।

নাকল অমরোমদা আই–লীগকী ক্লবশিংনা ইন্দিয়ান ফুটবোল লীগকী টিম ২০ দা পুনবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লি।

ইন্দিয়ান ফুটবোল লীগকী ফার্ষ্ট দিভিজনগী ওইনা টিম ২০ না ওইরি অদুগা সেকেন্দ দিভিজনগী ওইনা টিম ১৬নি।

আই–লীগতগী ইন্দিয়ান ফুটবোলতা য়াওগদৌরিবা ক্লবশিং অদুদি হন্দক্তা চেম্পিয়ন ওইখ্রবা চেন্নাই সিটি এফসি, মোহন বগান, ইষ্ট বেঙ্গল, মিনর্ভা পঞ্জাব, আইজোল এফসি, গোকুলাম কেরলা, রিয়েল কাশ্মীর, চর্চিল ব্রদর্স অমদি নেরোকা এফসিনি। টিমশিং অসিনা পুল্লগা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনদা প্রপোজেল পীশিনখিবনি।

চেন্নাই সিটি এফসিগী ওনর রোহিট রামেসনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী টিম্না তোঙান–তোঙানবা টিমশিংগা শান্নবা পাম্মী। অদুবু পৈশানা মরম ওইরগা করিগুম্বা মতমদা মনিং হল্লহনবা য়াওদবা নত্তে।

রামেস অমসুং দত্তনা মথক্কী ক্লবশিং অসি সুপর কপ শান্নহন্নবগী থাজবা পীগদবনি হায়না এ আই এফ এফকী জেনরেল সেক্রেটরী কুসল দাসকা উন্নখিবা অদুদা ফোঙদোকখি।

## ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম্না বাংলাদেশপু ৪–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা সাফ চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেলদা নেপালগা থেংনরগনি

*বিরাটনগর, মার্চ ২১ঃ*

নেপালনা যুম্বু ওইরগা পাঙথোক্লিবা সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন (সাফ) ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম্না বাংলাদেশপু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা মঙারক থংন–থংননা ফাইনেল য়ৌদুনা যুম্বু লৈবাক নেপালগা থেংনরগনি।

বিরাটনগরদা লৈবা সাহিদ রাঙ্গাসালা ষ্টেদিয়মদা ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশনা শান্নখিবা সাফ ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্সিপকী সেমি ফাইনেল মেটচ অদু হৌবদগী ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা লাকখ্রবসু মতম খরা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমদনা লাকখি। শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা সঞ্জুনা বাংলাদেশকী পেনাল্টি বোক্স মনুংদা পীরকপা পাস অমা টিমমেট দালিমা চিব্বরনা অশোয়–অঙাম য়াওহন্দনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ১–০ দা মাঙজিল থাবা হৌখি।

শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা বাংলাদেশকী সেন্টর বেক মোসাম্মাট খাটুনা য়াম্না নকপা মফমদগী কাওশিল্লকখিবা সোট অমা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সঞ্জুনা নীংথিনা মায়োক্লখিবদগী পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমহনখিদে।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ২৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিদা শরুক য়ারিবী সঞ্জুনা য়াম্না হৈ–শিংনা বাংলাদেশকী শান্নরোইশিংদগী লাম্থোরকপা বোল অমা ফিভম ফজনা লৈরিবী ইন্দুমাথি কাথিরেসানন্না পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদুনা সেমি ফাইনেল মেটচ অদু ইন্দিয়ানা বাংলাদেশপু ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মরক মরক্তা বাংলাদেশকী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমদুনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমহন্দনা থমখি।

মেটচ অসিদা এটেক হেন্না চখবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা মেটচকী ৩৭শুবা মিনটতা সঞ্জু অমদি সন্ধ্যানা পুখৎলকখিবা বোল অমা টিমমেট ইন্দুমাথি কাথিরেসানন্না টিমগী অহুমশুবা অমদি মহাক্কীনা অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম খরা অদুদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখ্রবসু মায় পাকপা ঙম্নখিদবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা ইন্দিয়ানা বাংলাদেশপু ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক লম্বা মান্নরকখি। ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিন্নবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু বাংলাদেশকী দিফেন্দরশিংনা মায় পাকহন্দনা থমখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা বাংলাদেশকী মায়কৈদগী শোথখিবা পাঞ্জলশিং অদু অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা লাকখিবদগী ০–৩ দা শোথদুনা লৈখি।

ইনজুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা মনিসানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা সেমি ফাইনেল মেটচ অদু ইন্দিয়ানা বাংলাদেশপু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্সিপকী থংন–থংননা ৫রক ফাইনেল য়ৌদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী যুম্বু লৈবাক ওইরিবা নেপালগা থা অসিগী ২২দা শান্নরগনি।



*ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা বাংলাদেশকী মায়োক্তা পাঞ্জল চল্লুরবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবা*

## এসিয়া মিক্স টিম বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯
## ইন্দিয়াগী টিম চাইনিজ তাইপৈগী মখূত্তা মায়থিহৌবদগী লৈহৌরে

*হোং কোং, মার্চ ২১ঃ*

হোং কোংনা যুম্বু ওইরগা চখরিবা এসিয়া মিক্স টিম বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী টিম গ্রুপ মেটচতা চাইনিজ তাইপৈগী মখূত্তা মেটচ ২–৩ দা মায়থিহৌবদগী টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিম্না ঙসি চাইনিজ তাইপৈগা শান্নখিবা গ্রুপ (বি)গী লীগ মেটচ অদু মায় পাক্লবা তারবদি মথংগী রাউন্দ চঙবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈখিবনি।

মেটচ ৫ গী টাই অদুগী অহানবা মেটচতা নুপীগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অসমিতা চালিহানা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই অদুগা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্লুরক্লবা মতুং অসমিতা চালিহানা ২১–১৮, ১৭–২১, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরম্লগা মেটচ অমা মাঙজিল থাখি।

টাই অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী দবলসকী লম্বাদা ইন্দিয়াগী পেয়র জোর্জ অমদি সুক্লানা ৱার্ল্ড নম্বর ১৪ চাইনিজ তাইপৈগী পেয়র লিয়াও মিন চুন অমদি চিং হেংবু য়াম্না লম্বা মান্নখিবা মেটচ অমদা ২১–১৭, ১৭–২১, ২১–১৪ দা থোইরম্লগা মেটচ ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবগী খুদোংচাবা ফংখি।

অহুমশুবা মেটচ নুপাগী সিঙ্গলসতা ৱার্ল্ড নম্বর ৩২ চাইনিজ তাইপৈগী ৱাং ঝু ৱৈনা ইন্দিয়াগী অহুম্লক নেসনেল চেম্পিয়ন ওইখ্রবা সৌরভ ভর্মবু ২১–৭, ১৬–২১, ২৩–২১ দা থোইরমখি।

মরিশুবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী দবলসতা চাইনিজ তাইপৈগী পেয়র চাং চিং হুই অমদি য়াং চিং তুননা ইন্দিয়াগী সুনিল অমদি রুতাপর্নাবু ২১–১৯, ২১–১৭ দা থোইদুনা মেটচ ২–২ দা মান্নখি।

টাই অসিগী অরোইবা মেটচ ওইখিবা মিক্স দবলসতা চাইনিজ তাইপৈগী সৈ পৈ সা অমদি সেং মিন হাওনা ইন্দিয়াগী পেয়র সিখা গৌতম অমদি স্লোক রামচন্দ্রনবু ২১–১৫, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীরমদুনা মেটচ ৫ গী টাই অসি ৩–২ দা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেলগী মফম কনবা ঙমখি।

## জর্মনি অমদি সর্ভিয়া ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে, ৱেলস মায় পাকখ্রে

*বর্লিন, মার্চ ২১ঃ*

ইন্টরনেসনেল ফুটবোল ফ্রেন্দলিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা জর্মনি অমদি সর্ভিয়া পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে, ৱেলসনা ত্রিনিদাদ এন্দ তোবাগোবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল মশান্নগী ওইনা মমাঙদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা জর্মনি অমদি সর্ভিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ১২শুবা মিনটতা সর্ভিয়াগী শান্নরোই লুকা জোভিসনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা পাঞ্জল অমা শোথদুনা লৈরিবা জর্মনিগী শান্নরোইশিংনা ইক্কেলাইজর ওইনবা হোৎনখিবশিং অদু অরেম্বা তাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা ৬৯শুবা মিনটতা জর্মনিগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা লিওন গোরেটজকানা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–১ দা মান্নরবা মতুং মেটচকী লেমহৌবা মতমশিং অদু শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু ১–১ দা দ্রো চৎখি।

ৱেলস অমদি ত্রিনিদাদ এন্দ তোবেগোনা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকপদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু টিম অনীগী মায়কৈদগী মতম কুইনা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। মেটচকী অরোইবা মিনটতা ৱেলসকী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই বেঞ্জামীন ৱুদবর্ননা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ১–০ দা মায় পাকখি।

চাইনা অমসুং থাইলেন্দনা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচতা থাইলেন্দনা চাইনাবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইরমখি। অহানবা হাল্ফ শান্নরকপা মিনট ৩০ হৌজিনখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

৩৩শুবা মিনটতা থাইলেন্দগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা চানাথিপ সোংক্রাইসিননা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চনখি।


**NISA LOTTERY 2019**
**RESULT**

| | | |
|---|---|---|
| 6th Prize (last 2 digits): | | No. 68 |
| 5th Prize (last 3 digits): | | No. 086 |
| 4th Prize (last 4 digits): | | No. 1969 |
| 3rd Prize-Series : | B | No. 8915 |
| 2nd Prize-Series : | B | No. 9194 |
| 1st Prize-Series : | D | No. 1297 |

Consolation Prizes :

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1st : | A1297 | B1297 | C1297 |
| 2nd : | A9194 | C9194 | D9194 |
| 3rd : | A8915 | B8915 | C8915 |

SL/4556/22 & 23


ক্রোসৱার্দ ১০৮ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | L | O | F | T | ■ | R | A | F | T | ■ | O | R | B | S |
| L | O | N | E | R | ■ | E | L | L | A | ■ | Z | E | A | L |
| M | A | C | R | O | ■ | D | D | A | Y | ■ | A | N | N | E |
| A | N | E | N | J | O | Y | A | B | L | E | R | E | E | D |
| ■ | ■ | ■ | ■ | A | R | E | ■ | ■ | O | A | K | ■ | ■ | ■ |
| A | L | U | M | N | A | ■ | B | O | R | G | ■ | S | P | A |
| R | O | N | A | ■ | T | H | I | N | ■ | L | A | T | I | N |
| I | C | A | N | F | E | E | L | T | H | E | B | E | E | T |
| S | U | P | E | R | ■ | A | L | O | E | ■ | L | I | T | E |
| E | S | T | ■ | I | N | D | Y | ■ | A | R | E | N | A | S |
| ■ | ■ | ■ | A | G | A | ■ | ■ | A | T | E | ■ | ■ | ■ | ■ |
| P | L | U | G | G | I | N | G | T | H | E | L | E | E | K |
| L | A | N | E | ■ | A | E | R | O | ■ | K | A | R | E | N |
| A | K | I | N | ■ | D | R | U | M | ■ | E | M | I | L | E |
| N | E | X | T | ■ | S | O | B | S | ■ | D | E | N | S | E |